# এক্স পোলো ক্লব ৱাঙ্খৈনা নুপামচাগী অমসুং লিম্হোইঙাবনী কাঙজৈ লূপনা নুপীগী ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, জনুৱারি ১৩ (এস এন এস)ঃ ওল মণিপুর পোলো এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ৭ তগী ইম্ফালগী মপাল কাঙজৈবুংদা নুপীগী টিম ৪না শরুক য়াদুনা চথরিবা ১৫ শুবা ষ্টেট ৱুমেন পোলো টুর্নামেন্ট অমসুং নুপামচাগী টিম ৭ না শরুক য়াদুনা চথরিবা অহুমশুবা ষ্টেট জুনিয়র বোইজ (য়ু-১৬) পোলো টুর্নামেন্ট ২০২০গীদা নুপামচাগী এক্স পোলো ক্লব ৱাঙ্খৈ অমসুং নুপীগীদা লিম্হোইঙানবী কাঙজৈ লূপনা ৱিন্নর ওইখ্রে।

চথরিবা ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অহানবা গ্রাউন্দা নুপীগী লিম্হোইঙানবী কাঙজৈ লূপ উরিপোক অমদি চিঙ্খৈহুনবা পোলো ক্লব কোংপালনা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা লিম্হোইঙানবী কাঙজৈ লূপনা চিঙ্খৈহুনবা পোলো ক্লববু পাঞ্জল ৪-৩ দা মায়থিবা পীখি।

ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা চক্করদা চিঙ্খৈহুনবা পোলো ক্লব কোংপালগী জর্সি নম্বর ১ নিলু আর কেনা মিনিট ৩.৪১ অমসুং জর্সি নম্বর ৩ টিঐচ তানানা মিনিট ৫.৩৭ দা চনখিবা পাঞ্জল ২ না মাঙজিল থাদুনা অহানবা চক্কর লোয়শিনখি।

অনীশুবা চক্করদা লিম্হোইঙানবী কাঙজৈ লূপ উরিপোক্না পাঞ্জল হনে দাক্লবা হোৎন্নরক্তুনা শান্নরকপনা টিমগী জর্সি নম্বর ৪ এল থাদোইনা মিনিট ৩.২৭ দা অদুগা জর্সি নম্বর ১ কেঐচ দেবেন্টিনা মিনিট ৩.৫৩ অমসুং ৪.৪৪ দা পাঞ্জল ২ হাপচিদুনা পূন্না পাঞ্জল ৩ হাপচিনখি অদুগা চিঙ্খৈহুনবা পোলো ক্লবনা চক্কর অসিদা পাঞ্জল ১ খক হাপচিনখি পাঞ্জল অদু টি ঐচ তনানা মিনিট ১.০২ দা চন্দুনা অনীশুবা চক্কর লোয়বা ফাওবদা নাকল অনীমক্না পাঞ্জল ৩-৩ দা মান্না লৈন্নখি।

অহুমশুবা চক্করদা লিম্হোইঙানবী কাঙজৈ লূপকী জর্সি নম্বর ৩ কেঐচ হবেনা মিনিট ৩.৩৮ দা চনখিবা পাঞ্জল অদুনা মহাক্কী টিমবু মায় পাকপগী লম্বীদা পূশিন্দুনা ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী ৱিন্নর ওইহনখি।

ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা জুনিয়রগী নাগমপাল য়ুঠ পোলো ক্লব অমদি এক্স পোলো ক্লব ৱাঙ্খৈনা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা এক্স পোলো ক্লবনা নাগমপাল য়ুঠ ক্লববু পাঞ্জল ৬-৫ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা এক্স পোলো ক্লব ৱাঙ্খৈগী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্করদা জর্সি নম্বর ১ হেরোজিৎ থোকপমনা মিনিট ৫.২১, অনীশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ২ টি ঐচ নোংপোকঙানবনা মিনিট ৩.৪১, অহুমশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ৩ টি দিনেসনা মিনিট ৩.১১, জর্সি নম্বর ৪ টি বিকাসনা মিনিট ৪, মরীশুবা চক্করদা টি বিকাসনা মিনিট ২.৫১ অমসুং অহাপ্পা মঙাশুবা চক্করদা টি বিকাসনা মিনিট ০.৫১ চৎপদা চনখি।

মায়থিরবা নাগমপাল য়ুঠ পোলো ক্লবগী পাঞ্জলশিং অদুনা অনীশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ৩ টি শন্তোসনা মিনিট ০.৩৮, ২.৩১ দা পাঞ্জল ২, জর্সি নম্বর ৪ টি রিবান্দোনা মিনিট ৫.৩২, অহুমশুবা চক্ককরদা জর্সি নম্বর ২ কেঐচ য়াইখোম্বনা মিনিট ৪.৫৭ অমসুং মরীশুবা চক্করদা টি রিবান্দোনা মিনিট ৫.২২ চৎপদা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা নুপীগী ৱিন্নর ওইখ্রবা লিম্হোইঙানবী কাঙজৈ লূপ উরিপোক্তা শেল ওইনা লিশিং ১৫ গা লেয়নন্না ট্রোফি, রন্নস অপ তাখ্রবা চিঙ্খৈহুনবা পোলো ক্লব কোংপালদা শেল ওইনা লিশিং ১০ গা লোয়নন্না ট্রোফি, জুনিয়রগী ৱিন্নর ওইখ্রবা এক্স পোলো ক্লব ৱাঙ্খৈদা শেল ওইনা লিশিং ১০ গা লোয়নন্না ট্রোফি অমদি রন্নস অপ তাখ্রবা নাগমপাল য়ুঠ পোলো ক্লবতা শেল ওইনা লিশিং ৫ গা লোয়নন্না ট্রোফি খুৎশিন্নখি।

ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট অসি লোয়শিনবগী থৌরমদা টুরিজম দিপার্টমেন্টগী ডাইরেক্টর দব্লিউ ইবোহল, এ এম পি এগী প্রসিদেন্ট ডা. কে শরত অমদি নেস্লেল হেল্‌ঠ মিসনগী দিপুটি ডাইরেক্টর (ফাইনান্স) লীকলাইনুনা অথোয়বা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি



*নুপীগী ৱিন্নর ওইখ্রবী লিম্হোইঙানবী কাঙজৈ লূপ, উরিপোক*

# অপাবী নীংশিং থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ হৌখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৩ (এস এন এস)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ঙসিদগী টিম ৮ না গ্রূপ-৪ থোক্না খায়দোক্তুনা ৱাই দব্লিউ সি থম্বালখোং গ্রাউন্দা নহাকপম অপাবী নীংশিং থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯-২০ শান্নবা হৌখ্রে।

লীগ অসি হৌদোকপগী থৌরমদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট হাওরুঙবম সুলঞ্জয়, ক্লসিক ফুটবোল একাদেমিগী সেক্রেটরী নাওবা থাঙজম, লীগ অসিগী দোন্নর ফেম্মিলি নহাকপম ইবোবি সিংহ, থম্বালখোং গ্রাম পঞ্চয়দকী এক্স প্রধান কোইজম ওলেন, য়ুঠ এফিয়স এন্দ স্পোর্টস গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী দাইবিং কোচ শরাংথেম রঞ্জিৎ অমদি টুর্নামেন্ট কম্মিটিগী চীয়রমেন তোইজম ইবোতোম্বী সিংহনা মথং শীৎনা প্রসিদেন্ট, চীফ গেষ্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াখি।

লীগ অসিগী অহানবা মেটচ ওইনা ঙসি গ্রুপ-এগী এস ৱাই দি এ ক্ষেত্রিগাও সাবল লৈকাই অমদি টি ৱাই দব্লিউ ও তখেলনা শান্নখিবা মেটচতা টি ৱাই দব্লিউ ওনা এস ৱাই দি এবু গোল ৩-১ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী অঙনবা মিনিটতা টি ৱাই দব্লিউ ওগী জর্সি নম্বর ১১ এন জিতেন্দ্রগী হেদ্দিংনা মিনিট ১৫ চৎপদা চনখিবা গোলনা ১-০ দা মাঙজিল থাখ্রবা মতুংগী মিনিট ৮ কান্নরগা ২৩ চৎপদা টিমগী জর্সি নম্বর ১৮ টি জয়চন্দ্রনা অনীশুবা গোল চন্দুনা ২-০ দা মাঙজিল থাখি।

অহানবা হাল্ফকী অপীবা মিনিট লোয়দুনা অহপ্পা মিনিট ২ দা এস ৱাই দি এ ক্ষেত্রিগাওগী জর্সি নম্বর ২ মুষ্টাকনা অউল গোল অমা চনবীদুনা অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা টি ৱাই দব্লিউ ওনা ৩-০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফ্কী অঙনবা মিনিট ৩২ দা এস ৱাই দি এ ক্ষিত্রিগাও শাবল লৈকাইগী জর্সি নম্বর ১৫ এম ডি তালিফনা গোল অমা হন্দোকখ্রবসু অপীবা মিনিট লোয়িবা ফাওবা অহেনবা গোল হাপচিনবা ঙমদবদগী টি ৱাই দব্লিউ ওনা ৩-১ দা মায় পাকখি।

মেটচ অসিদা মায়থিরবা এস ৱাই দি এগী জর্সি নম্বর ৯ এম ডি অলতাফ খান অমসুং টি ৱাই দব্লিউ ওগী জর্সি নম্বর ১৮ টি জয়চন্দ্রদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফরিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কার্দ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি এন ইবুংঙো, পিঐচ লনথোইবা, চিঙ্গোইলেনবা অমদি টি প্রেমজিৎনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এষ্টিটেন্ট রেফরি-১, এষ্টিটেন্ট রেফরি-২ অমদি ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

হয়েং গ্রুপ-বিগী সি এফ এ চীংমৈরোং অমদি কে বি ৱাই সি ক্ষেত্রি বেঙ্গুননা নুংথিল পুং ২ তাবদা শান্নগনি।



# নেরোকা এফ সিনা রিয়েল কাস্মিরবু মায়থিবা পীন্নবা শেম শাবা লোয়খ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৩ (এস এন এস)ঃ হিরো আই লীগকী মনুং চন্না হয়েং নুংথিল পুং ২ তাবদা খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা নেরোকা এফ সিগী অহুমশুবা হোম মেটচ ওইনা রিয়েল কাস্মির এফ সিগা শান্নগদৌরিবা মেটচ অসিগীদমক য়ুম্ববুগী টিমনা ভিজিটর টিমবু মায়থিবা পীন্নবা শেম শাবা লোয়খ্রে।

শান্নগদৌরিবা মেটচ অসিগী মাঙওইন্না ঙসি চীঙমৈরোংদা লৈবা ক্লাসিক গ্রান্দেদা পাঙথোকখিবা প্রি-মেটচ কনফেরেন্সতা য়ুম্বুগী কোচ গীফরাই খাননা হায়, নেরোকানা মেটচ ৬ তা পোইন্ট ৫ ফঙদুনা টেবলগী মমৈদা লৈরবসু ঐখোয়না অথুবা মতমদা শোথরিবা পোইন্টশিং মেনখৎতুনা টেবলগী মফম হায়গৎন্নবা হোৎনগনি।

নহা ওইরিবা টিম ওইবনা এক্সপ্রিয়েন্স খরা ৱাৎনা শান্নরবসু ঐখোয়না মদু মেনশিন্নবা টিম অসিগী কোচিং ষ্টাফনা লম্বী য়াৎলে। হয়েংগী লম্বা ওইরিবা রিয়েল কাস্মিরগী টিমসু ঐখোয়না থিংনবা হোৎন্দুনা পাম্বৈ য়াৎলে লোয়নন্না হয়েংগী মেটচ অসিবু মীৎয়েং তাবীদুনা নেরোকাবু সপোর্ট তৌবীয়ু হায়না ফোঙদোকখি।

ভিজিটর রিয়েল কাস্মির এফ সিগী হেদ কোচ দেবিদ রোবার্টসননা হায়, ঐখোয়গী টিমনা হৌখিবা মেটচশিংদা ওপোনেন্ট টিমশিংবু লাকশিন্দুনা শান্নখ্রবসু ঐখোয়না পাম্বা পাউখুম অদুদি ফঙবা ঙমখিদে মরম অদুনা অরায়বা মফমদা গোল হন্দোকহনবগী অহোবা অদু হয়েংগী মেটচ অসিদাদি শুংশোয়দনা মেন্সিগনি লোয়নন্না য়ুম্বু নেরোকাগী টিমদা নহা ওইরিবা ক্বালিটি লৈবা শান্নরোই কয়া য়াওবনা অরায়বা মেটচ অমদি ওইরোই অদুম ওইনমক য়ুম্বুদগী পোইন্ট মূন্নবা হোৎনগনি হায়না ফোঙদোকখি।



# সেমি ফাইনেল লাইন অপ লোয়খ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৩ (এস এন এস)ঃ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসন ( এম ভি সি এ) না শীন্দুনা মমাঙ থা ২৬ তগী লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দা টিম ৮ না গ্রূপ-২ থোক্না খায়দোক্তুনা চথরিবা মরিশুবা টি সুবোল নীংশিং টি-২০ ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা থা অসিগী ১৫ গী অয়ুক পুং ১০.৩০ তাবদা সাইক্লোন থাংমৈবন্দ অমদি চেম্প খাগেম্পল্লিগা শান্নরগনি অদুগা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা থা অসিগী ১৬ তা ৱাই দব্লিউ সি লংথবাল অমদি এল সি সি সি লিল্লোং চজিংগা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অরোয়বা লীগ মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবদা এল সি সি সি লিল্লোং চজিংনা মোদেল ক্লব চিঙামখাবু ৱিকেট ৪ দা মায়থিবা পীখি।

মোদেল ক্লব চিঙামখাগী বেট্টিংদা ওভর ২০ দা ৱিকেট ১০ মক আউট ওইরগা রন ১২০ লৌখি মসিগী পাউখুমদা এল সি সি সি লিল্লোং চজিংনা ওভর ১৮.৪ দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১২৩ লৌদুনা মেটচ অসি ৱিকেট ৪ দা মায় পাকখিবনি।

মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচনা এল সি সি সি লিল্লোং চজিংগী রন ১৫ অমদি ৱিকেট ২ লৌখিবা কৃষ্ণনা তাখি।

# জগদিস অমদি মতৌলৈবীনা জুদোদা গোল্ড লৌখ্রে



ইম্ফাল, জনুৱারি ১৩ (এস এন এস)ঃ মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুঠ এফিয়স এন্দ স্পোর্টস, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা থা অসিগী ১০ দগী ২২ ফাওবা অসামগী গুৱাহাটিদা চথগদৌরিবা অহুমশুবা খেলো ইন্দিয়া য়ুঠ গেমস ২০২০গী ঙসি মরীনিচনবা নুমিৎতা মণিপুরনা জুদো মশান্নদা গোল্ড মেদল ২ অমসুং সিলভর মেদল ২ হাপচিনখিবগা লোয়নন্না হৌজিক ফাওবদা মণিপুরনা গোল্ড ৪, সিলভর ৩ অমদি ব্রোঞ্জ ৭ পূন্না মেদল ১৪ লৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা জুদো মশান্নদা নুপামচাগী চহী ২১ মখা কেজি ৬৬ মখাগীদা কাঙলূপ্তা এল জগদিসনা গোল্ড মেদল অমসুং চহী কাঙলূপ অসিগী কেজি ৬০ মখাগীদা এনকে সোমোজিৎনা সিলভর মেদল লৌখি।

নুপীমচাগী চহী ২১ মখা কেজি ৫৭ মখাগীদা ঐচ মতৌলৈবীনা গোল্ড মেদল অমসুং কেজি ৫২ মখাগীদা এল ঙাম্হোই দেবীনা সিলভর মেদল লৌখি।

# ষ্টেটকী ত্রাইথালোন টিম শেমখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৩ (এস এন এস)ঃ চৎলিবা চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ২৩ দা চেন্নাইদা পাঙথোক্কদৌরিবা সেনিয়র নেস্নেল ত্রাইথালোন চেম্পিয়ন্সিপ মেন এন্দ ৱুমেনদা ষ্টেটকী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ানবগীদমক ত্রাইথালোন এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরগী ত্রাইথালেটশিং খনখ্রে।

খনগৎখ্রবশিং অদুদি-নুপাগীদা এল মহেস, টিঐচ লোয়াঙম্বা অমদি ই শুশিল সিংহনি। নুপীগীদা টিঐচ সোরোজিনি, এম সি লিম্হোইঙানবী অমদি কেএসঐচ সোনমনি।

ষ্টেটকী টিম অসি পি সুভাসচন্দ্রনা কোচ কম মেনেজর ওইনা লুচিঙগনি।

# ৱাই দি সি থম্নাপোকপী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৩ (এস এন এস)ঃ য়ুঠ পেরাদাইস ক্লব গোলতাবি, য়ুঠ প্রোগেসিপ ফ্রন্ট য়াইঙপোকপী, য়ুঠ দিভলপমেন্ট ক্লব থম্নপোকপী অমদি সনাশাবী য়ুঠ ক্লব সনাশাবীনা পূন্না শীন্দুনা থা অসিগী ৯ দগী য়াইঙপোকপী প্লে-গ্রাউন্দা টিম ১২ না গ্রূপ-৪ থোক্না শরুক য়াদুনা চথরিবা ৬ শুবা ইমোইনু ট্রোফি ভিলেজ ৱাইজ মেন'স সবেন এ-সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ৱাই দি সি থম্নাপোকপীনা এস ৱাই দি আই সি শৈজাংবু গোল ৬-১দা, ও এন ৱাই সি, ও কে এস য়ু নিংথেমচা খূলনা লম্লাই এফ সিবু গোল ৪-৩দা, ৱাই দি সি এল পুংদোংবমনা কে এল এস সি কোম্থাখাবমবু গোল ২-১ দা মায়থিবা পীখি অদুগা ৱাই এস দব্লিউ সি অমদি এন এল এম ৱাই সি গোল ৩-৩ দা দ্রো চৎখ্রে।

# যোধিসচন্দ্র নীংশিং ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্টদা সন রাইজ ক্লব মায় পাকখ্রে

জিরিবাম,জনুৱারি ১৩ ঃ ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন ( এ জে এস এ) জিরিবামনা শীন্দুনা থা অসিগী ৩ দগী জিরিবাম হায়র সেকেন্দরী স্কুল প্লে গ্রাউন্দা টিম ১৬ না শরুক য়াদুনা চথরিবা অহানবা মোইরাংথেম যোধিসচন্দ্র নীংশিং ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা সন রাইজ ক্লব, কদমতলা বি ঐচ এল সি চহোতোবেক্রাবু ৯-১ দা মায়থিবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অসিদা সন রাইজ ক্লব কদমতলানা তোস ঙমদুনা বোল কাওবা হৌখি অদুগা বি ঐচ এল সি চহোতোবেক্রানা সাইদ খনখি।

মেটচ অসিদা সন রাইজ ক্লব কদমতলানা হৌবদগী লোয়বা ফাওবা গোল চন্নবা এটেক কয়া তৌদুনা প্রেসর পীশিনখি। মসিগী মহৈ ওইনা মেটচকী মিনিট ৮, ১০, ৩৪, ৪৯ জর্সি নম্বর ১১ এস নাওবনা গোলশিং চনখি। মেটচকী মিনিট ১২ চৎপদা জর্সি নম্বর ১৬ ৱাই জয়চন্দ্র সিংহনা অমদি মেটচকী মিনিট ২৩ চৎপদা টিমসিগী জর্সি নম্বর ১২ ও রঞ্জননা চনখি। অতোপ্পা গোলশিং অদুনা মিনিট ৪৭ চৎপদা অমদি ৭৫ চৎপদা জর্সি নম্বর ৮ পি ঐচ মলেমঙানবনা গোল ২ অদুগা জর্সি নম্বর ১৫ কে সঞ্জিৎনা মিনিট ৬১ চৎপদা গোল অমগা চনশিন্দুনা পূন্না সন রাইজ ক্লবকী গোল ৯ অদু চনখিবনি।

মায়থিরবা বি ঐচ এল সি চহোতোবেক্রাগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১০ মসথংনা মেটচকী মিনিট ৬৩ চৎপদা চনখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি কেঐচ নিলাকমল সিংহনা সেন্টর রেফরি, এল অনিলনা এষ্টিটেন্ট রেফরি-১, ও বিশেশ্বরনা এষ্টিটেন্ট রেফরি-২ অমদি সাষ্টসুংনা ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

চথরিবা অহানবা মোইরাংথেম যোধিসচন্দ্র নীংশিং ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ৩ শুবা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ ওইনা ইচেল ক্লব দিবোং অমদি বি বি য়ু বরাক সার্কেলগা শান্নগনি।

# য়ুনাইটেদ ক্লব খাইদেম মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৩ (এস এন এস)ঃ হয়েল য়ঙ পোপুল্লর ক্লব ( ঐচ ৱাই পি সি) হয়েলনা শীন্দুনা থা অসিগী ৫ দগী টিম ২৪ না গ্রুপ ৮ থোক্না খায়দোক্তুনা ইবুধৌ ইকোপ নিংথৌ মরু নোংশাবা শান্নবুংদা চথরিবা অহুমশুবা ষ্টেট লেভেল সবেন এ-সাইদ মেন'স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট উচিৱা গ্রাম পঞ্চায়ট প্রধান ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা য়ুনাইটেদ ক্লবনা কলিকা এফ সিবু গোল ৩-০ দা থোয়খি। মায় পাকপগী গোলশিং অদু অজিৎ, তোম্বা অমদি জেমসনা চনখি।

অনীশুবা মেটচতা এন সি পি ময়াই ইম্ফালনা মরুপ এফ সি হৈরোকপু ১-০ দা থোয়খি। মায় পাকপগী গোল অদু য়াইফবানা চনখি।

অহুমশুবা মেটচতনা আর এফ সি খম্নাম লৈরক্না এ স্কৱার পাৎসোইবু গোল ১-০ দা থোয়খি। মায় পাকপগী গোল অদু অনন্দনা চনখি।

মরীশুবা মেটচতা দ্রেস হাউস এফ সি পাৎসোইনা সিটি এফ সিবু ২-১ দা থোয়খি।

# সাইক্লিংগী ট্রাইয়েল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৩ (এস এন এস)ঃ সাইক্লিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা চৎলিবা চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ২০ দগী ২২ ফাওবা উত্তরখনগী হালৱানিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৬ শুবা সেনিয়র, জুনিয়র অমদি সব-জুনিয়র নেস্নেল মাউন্টেন বাইক চেম্পিয়ন্সিপ ২০২০ দা ষ্টেটকী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ানবগী টিম শেম্নবা ত্রাইয়েল সেলেক্সন অমা থা অসিগী ১৯ গী অয়ুক পুং ৭ তাবদা অৱা চীং, বারুনি চীংদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

মরম অদুনা শরুক য়ানিংবা রাইদরশিংনা মণিপুর সাইক্লিং এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরীদগী অকূপ্পা মরোল খঙল্লবা য়াগনি হায়না প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।






Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*